**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২২-০৩-২০২৪, ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোক্লে। ইন্নরদা প্রোফেসর বিমোল অকোয়জম অমদি আউতরদা অলফ্রেদ কাঙম অথর মীরেপ ওইরগনি।

২) কংগ্রেসনা হায়রি- লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা দল অসিগী বেঙ্ক একাউন্তশিং ফ্রিজ তৌখিবা হায়বসি গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নরে।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৪ -২৫ ফোংখ্রে।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি পি-খোনুংফাই ভিলেজ ময়াদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙম্লে। মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসগী থবক চথখ্রে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ভুটানগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ -দি ওদর ওফ দি দ্রুক জিয়ালকো পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মীরেপ(এল) ঃ** মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬ তা ভোট থাদনগদৌরিবা মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোক্লে।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোক্লদুনা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্রনা হায় - লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী ওইনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভার্সিতি ন্যু দিল্লিদা প্রোফেসর ওইরিবা অঙোমচা বিমোল অকোয়জম অমসুং আউতর পার্লিয়ামেন্তরি সিটকী ওইনা হান্নগী এম.এল.এ অলফ্রেদ কাঙম অথর দলগী মীরেপ ওইরগনি। মীরেপশিংগী মীং লাউথোক্লদুনা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-

**--সাউন্দ মেঘাচান্দ্র**

পাউগী মীফম অদুদা মনিপুরগী ওইনা ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওবা বিরোধি দলশিংনা মীরেপশিং অসিবু শৌগৎকনি হায়নসু লাউথোকখি।

মীখল অসিগীদমক মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম ছুতি নত্তবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইরবা ফাওবা অসিদা মীরেপ অমত্তনা মীরেপ চে পীশিল্লকত্রি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা হায়-আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী ওইনা রিটর্নিং ওফিসার ওইরিবা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী ওফিসতগী মীরেপ অমনা মীরেপ চে লৌখ্রে। ঙসি মীরেপ চে লৌখিবা মীওই অদু তেংনৌপল জিলাগী মচি সবদিভজনদগী লৈখাম কায়পুনি। মহাক মমাংগী লোক সভা মীখলদা ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ ওইনা মীখল থেংনখিবনি।

মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৭ নি। অদুমওইনমক, হয়েং অমসুং হনচিৎ ছুতি লৈখিবা অমদি লাক্লিবা লৈপাকপোকপা নুমিৎ অসিনা য়াওশঙগী ছুতি ওইবা মরমনা মীরেপ চে পীশিনবগী থবক লেপকনি।

**কংগ্রেস (এল) ঃ** কংগ্রেসনা হায়রি লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্কদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈদা দল অসিগী বেঙ্ক একাউন্তশিং ফ্রিজ তৌখ্রে হায়রদুনা থৌওং অসি গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নরে।

ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কর্ম্মীতিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘাচন্দ্রনা হায়- দলগী ফন্দশিং অসি দলগী কর্ম্মীশিংনা দান তৌরকপা ঙাক্তনি। হায়িবা একাউন্তদা লৈরিবা শেনফম অসি হ্বাইট মণি ঙাক্তনি। মহাকা হায় - মীখল পাঙথোক্কদবা মতম খাজিক্তদা ঙাইশিল্লক্লবা কানদা একাউন্ত ফ্রিজ তৌশিনবা হায়বসি মীখল য়াওহন্দনবা হোৎনবগা চপ মান্নে ।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবিনা হায়- ইনকম টেক্স বিভাগনা দল অসিগী বেঙ্ক একাউন্ত ১৪-১৫ রোম ফ্রিজ তৌশিন্দুনা থমখিবা হায়বসি গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অসিদদি অহানবনি। গনতন্ত্রগী মমানি হায়নরিবা ভারত্তা বিরোধিগী খোল্লাউ থীংজিন্নবা হোৎনবা অসিনা গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নরে। মতিক মগুন লৈবা গনতন্ত্রা ওইবা লৈবাক অমা ওইহনগে হায়বদি বিরোধিগী খোল্লাউ অসি য়ামমক তঙাই ফদে।

**--সাউন্দ ইবোবি--**

**বি.জে.পি(এল) ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ভারত্যা জনতা পার্টি বি.জে.পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৫ গী মীং লাউথোকখ্রে। মীরেপশিং অদুগী মনুংদা পুদুচেরিগী সিট অমা অমসুং টামিল নাদুগী সিট ১৪ গী মীরেপশিংনি।

দল অসিনা মীরেপ ২৭৬ কী মীং হান্ননা লাউথোকখ্রবনি। অদুমওইনমক দল অসিন মনিপুরগী সিট অনিগী মীরেপ কনানা ওইগনি হায়বগী চপ চাবা হৌজিক ফাওবা লাউথোকপা লৈত্রি। পাউ খরনা হায় -মনিপুরগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং হয়েং লাউথোক্লবা য়াই।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি জিরিবাম দি.সি.ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা হৌখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না পোল্লিং পরসনেল ১৫৪ না শরুক য়ারি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু লাক্কদৌবিরা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা জিলা অসিদা মথৌ তৌগদৌরিবা প্রিসাইদিং ওফিসারস অমদি পোল্লিং ওফিসারশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী ত্রেনিং জিলা অসিগী সি.আই.কলেজদা তোঙান তোঙানবা হোল অহুমদা পাঙথোকখ্রে।

লোক সভা মীখলদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তর কন্সর্টিট্যুন্সিগী ইলেক্সন ওভজবর ওইনা লাকখিবা প্রদুমন বদারি প্রসাদ মীনা ঙসি থৌবাল জিলাদা লাক্কুনা জিলা অসিগী ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী মনুং চন্না মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা সেকমেন্ত অহুমগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে। মহাকা হেদক্কাটরদা হেক থুংবগা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগা উন্নখি। মসিগী তুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীখলদা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী ওফিসিয়েল ওইগদবশিংগা ৱারি শান্নখি। হয়েংদগী মীখলদা মথৌ তৌগদবশিংগী ত্রেনিং হৌরগনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর কাংপোকপীনা লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ঙসি দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মহেশ চৌধুরিনা হায়- অহানবগী ওইনা ই.ভি.এম - ভি.ভি.পেদ রেন্দম্মাইজেসনগী থবক অমসুং মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং থা অসিগী ২৫ দগী হৌরগনি। মহাকা হায়- মসিদা নুপী ৫৫১ অমসুং নুপা ৪৮৬ ত্রেন তৌগনি। দি.ই.ওনা হায়- কাংপোকপী জিলাদা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৪ লৈগনি। মসি রাজ্য অসিগী ওইনদি খ্বাইদগী ৱাংবনি। মহাকা হায়- জিলা অসিদা নোর্মে পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৬ লৈগনি।

ককচিং জিলাগী ওইনা রেন্দম্মাইজেসনগী থবক অমসুং মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং হয়েংদগী হৌরগনি।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--

**উইকেনা (এল) ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৪ -২৫ ফোংখ্রে। নবার্দনা শেন্বা ষ্টেট ফোকস পেপর অদু পুথোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- নবার্দনা শেল্লিবা পোতেন্সিয়েল লিঙ্ক ক্রেদিত প্লান অসি জিলা থাক্কী ওইনা ক্রেদিট স্কিমদা
যুমফম ওইরগা শেন্বনি। মহাকা হায় - হায়রিবা প্লান অসিদা যুমফম ওইরগা রাজ্য অসি ইকোনোমিক দিভলপমেন্ত শেমগৎকদৌরিবনি। নবার্দনা পুথোক্লিবা ষ্টেট ফোকস পেপর অসিগী মতুং ইন্নদি প্রাইওরিতি সেক্তরদা মনিপুরনা লুপা কোতি লিশিং ২,৯৬৩ লাখ ১৭ রোম লৌবা য়াগনি হায়রি। ষ্টেট ফোকস পেপরদা পীরিবা পানদম অসি ফংনবা হোৎনবদা বেঙ্করশিং অমসু সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মসিদা নত্তনা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ষ্টেকহোলদরশিংনা মথৌ নিংথিনা পুচেল শেংনা অপিবা মতমগী মনুংদা ফংনবা হোৎনগদবনি।

রাজ্যপালনা হায়- মনিপুরগী খুঙ্গংশিংগী শেল থুম অমদি সমাজিক্কী ফগৎহনবা, শেন্থোক লৈনবা পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনবদা নবার্দনা থল্লিবা পান্দম অসি থুংহনবা তঙাই ফদে। মহাকা হায়-খুঙ্গংগী লমশিং লৌউ শিংউ, কোতেজ এন্দ ভিলেজস ইন্দস্ত্রিজ , হেন্দিক্রাফট অমসুং এম.এস.এম.ই হেন্না চাউখৎহনগে হায়রবদি লমশিং অসিগী ক্রেদিট ফেসিলিতি, মার্কেট অমসুং ফয়র প্রাইজ চাউখৎহনবা তঙাই ফদে। রাজ্যপালনা হায়- অপুনবা শেনফম লুপা কোতি ২৯৬৩ লাখ ১৭ কী পান্দম থল্লিবা অসিগী মনুংদা লুপা কোতি লিশিং ১,৪২২ লাখ ৮৮ না লৌউ শিংউগী ওইনা অদুগা লুপা কোতি ১১৩৬ লাখ ২২ না এম.এস.এম.ই সেক্তরগী অমদি লেহৌরিবা শেনফম অদুনা অতৈ প্রাইওরিতি সেক্তর চাউখৎনবা প্রস্তাপ তৌরি।

**খুৎলায়ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক পি-খোনুংফাই ভিলেজ ময়াগী ঈশিং থেন্বি মনুংদা থী হুন্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙম্লে হায়রি। চীংখোং অমদা লোৎশিন্দুনা থম্লন্বা খুৎলায়শিং অদুদি- মেগজিন য়াওবা পোইন্ত থারতিটু পিস্তোল অমা , মেগজিন য়াওবা পোইন্ত ২২ গী পিস্তোল অমা ,গ্রেনেট অনি, কিলোগ্রাম ৫ লুন্বা আই.ই.দি অনি, ৱাইয়রলেস সেট অমা, মেগজিন বোক্স অমা য়াওরি। ফারবা পোৎলমশিং শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

ঙসি ককচিং জিলাগী শুগুনু পুসিল ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফমশিংদা ককচিং পুলিসনা এরিয়া দোমিনেস থবক চথখ্রে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুসিল অমসুং সি.আর.পি.এফনা সাইকুল পুসিল ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা সাইকুল সি.ঐচ.সি লাইনদা এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখি। সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অসিনা সন্তোল্লাবরি খুল অমসুং জিলা অদুগী মফম খরদসু এরিয়া দোমিনেসগী থবক চথখি। বিষ্ণুপুর পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফনা ঙসি অয়ুক ইথাই খুনৌ ৱার্দ

নম্বর থ্রীদা লৈবা য়ুম ২০ লোম থীহুন্বগী থবক চথখি। অদুওইনমক মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

**আমজ (এল) ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জরনেলিস্ত য়ুনিয়ান (আমজ)না অন্দামান ইথৎতা চৎপগী ২১ রক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মাউন্ত মনিপুরদা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুদা মনিপুরগী লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা মিনিত ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখি অমসুং উ-চারা কয়ামরুম থাখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ইং কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গোল মনিপুরি লানদা মনিপুরগী নিংতমবগীদমক লেপখিবা মহারাজ কুলাচন্দ্রা য়াওনা অথৌবা ২২ মাউন্ত মনিপুরদা মতম অদুগী বৃটিশ লৈঙাকা লোইথাখি। অথৌবশিং অসিগী মথৌনা মরিংজেলবু লৈবাক অসিনা শকখঙবিদুনা ইং ২০২১ দা গহ মন্ত্রি অমিত সহানা মাউন্ত হেরিয়েট হায়রবস্বদগী মাউন্ত মনিপুর কৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। মফম অসি হৌজিক মনিপুর পরবট নেসনেল পার্ক হায়না মীয়ামা খঙনরে। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীগী পাউদম অমা ন

---**সাউন্দ চিত্র**

**দিঙ্গো(এল) ঃ** য়ুনিভার্সিয়েল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু.এফ.ও)গী নুমিৎ ১৫ নি চথুরকপা কলচরেল হোলিদে কেম্প নোর্থ ৱেষ্ট দিভিজন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লায়রেন কাবীদা লোইশিনখ্রে। থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো হায়-য়ু .এফ.ওগী থৌমীশিংগী থকসি খাসি ফজবা থৌগোলোন খঙবগী থৌওং অসি থগৎনিংঙাইনি।

মহাকা হায়- তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংদা লৈদুনসু ঐখোয় পুমমক অমত্তা ওইনা পুশিনবা লৈবাক্কীদমক খুদোংথিবা খুদিংমক মায়োকমিন্নবা হায়বসি লেংদ্রবা ৱারেপ ওইমিন্নসি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ভুতানঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ভুটানগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ -দি ওদর ওফ দি দ্রুক গিয়ালকো পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। লৈবাক অদুগী কোনুং থিম্পুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভুতানগী নিংথৌ জিকমে কেসর নামগিয়াল ৱাংচুকা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা মনা অদু খুৎশিন্নখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি হায়বা নুমিৎ অসি মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাইবা ওইবা নুমিৎ অমনি। মহাকা হায়- মনা খুদিংমক অখন্নবনি অদুমওইনমক অতোপ্পা লৈবাক অমদগী মনা ফংবা হায়বসিনা লৈবাক অনি অদু অচুম্বা মায়কৈদ পুন্না চৎমিন্নরি হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি মনা ফংলিবা অসি মহাক্কী খক্তগী ওইনা কান্নবা নত্তে, মসিদি মীওই কোতি ১৪০ লৈবা ভারতকী ওইনা মিংচৎ পুরকপনি। মনা অদু মহাকা লৈবাক অসিগী মহুৎশিল্লগা লৌবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুংথিল থিম্পুদা লৈবা নিংথৌগী কোনুংদা নিংথৌ জিকমে কেসর নামগিয়াল ৱাংচুক্কা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি। উন্নবা অদুদা লুংচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা অখন্নবা মরুপ মপাং ওইবগী মরী অদু নৌহৌননা চেৎশিন্নবা ৱারেপ লৌখি। লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নদুনা মরী অসি হেননা ফগৎনবা হোৎন্নবসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। প্রধান মন্ত্রিগী খোংচৎ মনুংদা লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা য়ান্না ৱারোল কয়া মরুম সহি তৌনখি।

**কোর্ট(এল)ঃ** ইং কুমজা ২০১৭ তা খনখিবা মনিপুর পাঞ্চয়টি রাজ ইন্সটিট্যুটকী এদহোগ কন্মীতিনা সুপ্রিম কোর্টতা স্পিসিয়েল লিপ পিটিসন ফাইল তৌরিঙৈ মনুংদা পাঞ্চয়টকী এদমিনিস্ত্রেতিব কন্মীতিগী থবক থৌরমশিং তৌবিদনবা আপিল তৌরিক্লি। স্পিসিয়েল লিপ পিটিসনগী মথংগী হিয়ারিং এপ্রিল ১৫ দনি। পিটিসন অদু সুপ্রিম কোর্টতা ইং কুমজা ২০১৭ তা খনখিবা মনিপুর পাঞ্চয়টি রাজ ইন্সটিট্যুট ইন্সটিট্যুটকী খল্লবা মীওইশিংগী মহুৎশিন্দুনা ফৈরোইজম হেরামণি সিংহ কৌবা অমনা ৱাকৎলকখিবনি। সেনিয়র এভোকেট কাপিল সিবলনা পিটিসিনর মায়কৈদগী লেপ্লি।

**চাইথবি(এল)ঃ** চাইথবি লৈরক দিভলপমেন্ত ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরিগী য়ুমদা বোম থমজিল্লন্স্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা খুরাই চাইথবি ৱিমেন্স সোসাইতি অমদি চাইথবি লৈরক দিভলপমেন্ত ক্লবনা শিন্দুনা ঙসি খুরাই চাইথবি লৈরক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** নোনেদা লাংমৈ চাকপা থীংনবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা ফোরেস্ত দিভিজন ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিভিজনেল ফোরেস্ত ওফিসর, নোনে ফোরেস্ত দিভিজন, রেঞ্জ ফোরেস্ত ওফিসার অমদি খুঞ্জা ৩০ রোমনা শরুক য়াখি।

**লাইরিক (এল) ঃ** প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বী সিংহগী ৮২ শুবা মপোক কুমওন অমসুং মহাকা ইরম্বা রেদিও লিলা অমদি ফিল্ম স্ক্রিপ ফোংবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে ।

নোংমাইথেম ফাউন্দেসন অমদি তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাংলুপ শমুরৌনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা সহিত্যা একাদমি এৱার্দদি মাইবম নবাকিস্বর সিংহ , অকাশবানি ইম্ফালগী প্রোগ্রাম হেদ ওইরম্বা অধিকারিময়ুম গীৎচন্দ্র শর্ম্মা , লৈহাওথাবম কুঞ্জেস্বর শর্ম্মনচিংবা শরুক য়াখি।

**রেস্তলিং (এল) ঃ** ৩৮ শুবা ষ্টেট আর্ম রেস্তলিং অমসুং পেরা আর্ম রেস্তলিং চেম্পীয়নসিপ হয়েংদগী শিংজমৈ কম্ম্যুনিতি হোলদা হৌরগনি। চেম্পীয়নসিপ অসি মনিপুর আর্ম রেস্তলিং এসোসিয়েসননা শিনবনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোক্লে। ইন্নরদা প্রোফেসর বিমোল অকোয়জম অমদি আউতরদা অলফ্রেদ কাঙম অথর মীরেপ ওইরগনি।

২) কংগ্রেসনা হায়রি- লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা দল অসিগী বেঙ্ক একাউন্তশিং ফ্রিজ তৌখিবা হায়বসি গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নরে।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৪ -২৫ ফোংখ্রে।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি পি-খোনুংফাই ভিলেজ ময়াদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙম্লে। মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসগী থবক চথখ্রে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ভুটানগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ -দি ওদর ওফ দি দ্রুক জিয়ালকো পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**